# মতম ঈশৈগী ফম্পাক্তগী অকাউ ফিজং মরুমদা লৈরুরবা শৈশকপা ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বী



মণিপুর মতম ঈশৈগী শাঙলবা পুৱারী লৈজবা লমদমনি। য়েলহৌঁদগী হৌনা জগোয়–ঈশৈ পামজবা ফুরুপ অমা ওইনা হৌরখ। লৈশেমলোনগী ৱারীদগী হৌরগা লাই হরাওবা, খুনুং ঈশৈ, হিন্দুগী প্রাভাব লাকপা ষণ শেনবা, সংকীর্তন, উর্দুখোল, গৌরালীলা, রাস লীলা, বাসক, গোষ্ট, পলা ঈশৈ কয়াশিং অসি মৈতৈ ফুরুপকী পূন্সি কয়াগী থৌদোক কয়াগা মরী লৈন্নহন্দুনা লাকই।

লোয়ননা দ্রামাদা ভাবোকশিংনা পামগদবা হিন্দুষ্টানিক ম্যুজিকতা য়ুম্ফম ওইবা অরাইবা ঈশৈশিং শকখিবা অদুদগী মণিপুরী মতম ঈশৈ অসি পোকলকখিবনি হায়না অখং–অহৈশিংনা মোৎ পীনৈ।

মতম অমা দ্রামাশিংদা ঈশৈ মরাং কায়না শক্লরম্বা, লাল মতুংদা দিক্সশিংদা রের্কোদতা মৈতৈলোনগী ঈশৈ শক্লরম্বা লোয়ননা স্কুল। কোলেজগী ওইবা থৌরমশিংদা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমশিং কনখৎন্নরকপা। গুৱাহাটি রেডিও ষ্টেসনদা মণিপুরী প্রোগ্রামশিং শন্দোরকপা লোয়ননা ঈশৈ নোংমাইদা য়ুম্ফম ওইবা সংস্থান রুপ রাগ লীঙখৎতুনা লমদমসিদা মতম ঈশৈগী অকনবা ইহৌ অমা শাগৎলকপগী মতমদুদা থৌদাং য়াখিবশিংগী মনুংদা ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বীসু মতমদুদা নহা ওইনা শরুক য়ারকখিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

ইং শোক ১৯৪৩ গী লমতাগী তারিক ২৮ নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়াইস্কুল হিরুহুনবা লৈকাইদা পোকখিবা ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বীগী অপোকপনা মতমদুগী সংকীর্তনগী শৈশকপা কেঐচ চৌয়াইমা অমদি পাওনম নিংঙোল কেঐচ ওংবী ইবেমচানি।

অঙাং ওইরিঁঙৈদগী কলাবু পামজববা মীশক অমা ওইনা হৌরকখিবা ইং ১৯৬৩ দা "ভাত খান্দে ম্যুজিক কোলেজ, লখনৌদা ন্যু ফার্ষ্ট ইয়ারদগী হৌরগা ফোর্থ ইর্য়ার ফাওবা তম্লগা অপোকপা লৈখিদবদগী ঈশৈ মখা তম্বা লেপখি।

মতুংদা রুপ রাগদা য়াওদুনা সংস্থান অসিদা লম কয়াদা থোয়দোক হেন্দোক্লা শক্লাইরবা ঐগ্যা শ্যাম শর্ম্মা, নোংমাইথেম পহারি, ঐগ্যা বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মা অমদি ওজা গৌরহারীনচিংবা কয়াগা লোয়নখি। শৈশকপশিং অসিগা লোয়ননা লৈকাই লৈকাইদা লম–লম খুদিংদা ত্রিনাত খুরুম্বা লাইগী ঈশৈ শকপা লোয়রকপদা মতম ঈশৈ শকপানচিংবা শরুক য়ারকখি।

লোয়ননা থিয়েটরগী অরিবা সংস্থান অমা ওইরিবা মণিপুরী দ্রামাটিক য়ুনিয়ন ( এম দি য়ু) গী অর্ষ্টিস অমসু ওইরকখি। ওল ইন্দিয়া রেডিও, ইম্ফালগী শৈশকপা অমসু ওইরিবা শক্লাইরবা ক্ষেত্রিময়ুম তোম্বী ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্বিসকী দ্রামা কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াদুনা দিল্লি, গুজারটনচিংবা ষ্টেট কয়াদা পাঙথোকখিবা শরুক য়ারকখ্রে।

মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অসিগী দ্রামাশিংগী মনুংদা "রামীর শুমটি","য়াইরিপোক থম্বালনু" হায়রিবা দ্রামা অসিদা মরুওইনা কেরেক্টর রোলশিং লৌখি। ঙসি ফাওবা উন্নহৌবা মীয়াম্না " রামীর শুমটি"গী 'হরি–হরা' অমীদ 'য়াইরিপোক থম্বালনু'দা মৈনাশিং' শাবা হায়না শকখঙবিরী।

হায়রিবা দ্রামা অনী অসিদা প্লেবেক সিঙ্গর অমা ওইবতা নৎতনা মশামক্লা সোলো প্রফোমেন্স অমা ওইনা ষ্টেজ দা শকখিবা ঈশৈশিং অদুবু তাহৌবা উহৌবশিংদা দ্রামানি হায়বা কাউথোকহনবা ঙমখিবা শক্লাইরবা অসিগী খোঞ্জেলনি। ইং শোক ১৯৬৪ দা নগামপাল অরাম্বম নিট্যনন্দাদা লৈবী ঙাংবম নীঙোল ইবেমনুংশি দেবীগা লোয়নদুনা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাদুনা মচানুপা ৪ অমদি মচানুপী ৩ পূন্না ৭ ফঙজখি।

হীংনবগী লানফমদা মতম খরা বি এস এফ তা লৈখি। মতুং ১৯৭৮ দা মোইরাং ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসতা লৈদুনা দিপার্টমেন্ট অসিদগী ২০০৬ তা থবক্তগী পোত্থাখি। মোইরাং ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসতা লৈরিঙৈ মফম অদুদগী এম দি য়ুগী অহানবা সো নঙন্নবা সাইক্ললদা কয়ারক লাকখি। অদুবু জিরিবামনচিংবা মফম কয়াদা তাখিবদগী কলাকার অসিগী কলাগী খোঙচৎতগী খরমখৈদি নাথৈবা তাখি। অদুবু মশা মথৌদগী ঙাইহাক শঙলকপা মতমদা পামজনা, লাইনিং ওইদুনা লোয়ন্নরক্লবা ঈশৈ ওরাইদুনা পামজখিবা শুরগী ঈপাক্তা তাউদুনা শান্নখি।




অদুমক্লা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা এম দি য়ুদা অমুক হল্লক্তুনা ম্যুজিক ইনচার্জগী থৌ পুখি। লোয়ননা প্লেবেক সিঙ্গর অমা ওইনা থৌদাং য়াদুনা ২০১২ তা থিয়েটর সেন্টর অমদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি অনীনা খুৎশম্নদুনা শীনবা ৪৩ শুবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিয়েটিভ ডাইরেক্টরদা মশামক্লা ম্যুজিক ইনচার্জ লোয়ননা প্লেবেক সিঙ্গর ওইখিবা প্লে " চুন্নিবরা মসিবু " হায়না মিংথোনবা সোর্ট প্লে অদুদা অনীশুবা বেষ্ট ম্যুজিক এৱার্ড ফঙখি।

২০১৯ দা পাঙথোকখিবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসনদসু সেকেন্দ বেষ্ট ম্যুজিক এৱার্ড ফঙখি। হৌজিক হৌজিকমক মতম ঈশৈগী ওইবা প্লেটফোম কয়াদগী মতম শাংনা নাথৈদুনা লৈরুরবা শক্লাইরবা কলাকার অসিনা ঙসিসু মতম অমগী শক্লাইরবা কলাকার কয়াগী মঙফাওনফম লাইশঙ ওইরিবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী বেক ষ্টেজদা ম্যুজিক ইনচার্জ অমদি প্লে বেক সিঙ্গর অমা ওইনা মায় পাক্লা মশানা পামজখিবা কলাগী ইপাক্তা মনিং তম্না হনবা লৈতনা মথৌ পাঙথোক্লি।

চহী খুদিং লেপ্তনা উৎলিবা " খোঙজোমলাল", " বীর টিকেন্দ্রজিৎ" লোয়ননা "হাওবা কোনুং", " তোনু লাইজিং লেম্বী", কোন্টেমপোরি প্লেদা " খঙলব্রা শে' নচিংবা দ্রামাশিংগী প্লে বেক সিঙ্গর ওইরি।

মতম শাঙনা ঈশৈ নোংমাইগী ফম্বাক্তগী নাথৈদুনা লৈরুরবা অসিনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হিন্দুষ্টানিকরাগশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেন্নবা ঈশৈ খরা অমসুং রেকোর্ড তৌদুনা পুথোক্লবগী পান দম থল্লি। ওগষ্ট ১৩ মরৈবাক নিংবা অথৌবশিংগী শেংলবা নুমিৎতা শান্নবা " বীর টিকেন্দ্রজিৎ" হায়রিবা দ্রামা অসিদা ইমা লৈবাক্লা মীখা পোনলমগদবা মীকুপ, ইরৈবাক্কী অথৌবশিং কায়ন্নরমদাই মীকৃপ্তা শকখিবা " শন্ধিয়া ওইরে, মমশিনল্লক্লে,চীনুং চঙখরে নুমিৎ! তাইবঙ অৱা মর্য়োক্লরে, খুদাং পীফম তৈনরে" হায়রিবা প্লে অসিগী শক্লাইরবা অসিগী থোৎনা মেংলবা খোঞ্জেলনা অতাবা , অয়েংবা খুদিং মায় পাক্লা পূক্লিং চীংশিনবা ঙম্বা খোম্বোক্তা শকখিবা ঈশৈনি।

" খোঙজোম লাল"গী – মৈতৈ লৈমাগী মপারি চৎলোকো হে অথৌবা," য়াইরিপোক থম্বালনু" দা মশামক্লা সোলো প্রফোমেন্স অমা ওইনা শকখিবা–হা নুরা ইবেম্মা ওইনা চাউবী, 'রামীর শুমটিগী '– কর্টিককা গানেসকা, শৈশকপা অসিনা ওল ইন্দিয়া রেডিওদা শকখ্রবা মতম ঈশৈ খরদং পনবা তারগদি বি জয়েন্তকুমার শর্ম্মনা ইবা –

থাবল লৈরাং থাবল্লে,
লৈকাই পাল্লোন লানগনবী,
খোয়রুম মোমোন তৌদুনা ।।
কে ধানেশ্বর সিংহনা ইবা –
লেংজখিবা আশাগী লৈরাং
হুকচনিংবা আশাগী কুন্দো
মঙলানগী অশা ওইহৌরে
ঐদি।।

এ শারত সিংনা ইবা– ঙসিসে মাগা কায়নবা অহিংনি
ঙাউহল্লু এবু, কাউহল্লু মাবু।।

অসিনচিংবা ঈশৈশিং অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ওইরি। হায়নবা লৈ " ওল ইস গোল্ড" লীশাং শীৎনা মতম ঈশৈগী য়াওনবু থাপ্না য়েংবতমক ওইদুনা পূক্লিংগী অপীকপা কাচিন অমদা অপাম পামদা নৈন্দুনা লৈরক্লবা মতম ঈশৈগী ফম্বাক্তগী মীয়াম্না অকাউবগী ফিজং মরুমদা থম্লুরবা শক্লাইরবা কলাকার অসিগী মশাগী চহী ৯৯ শুজরবসু ৱাখলদি ঙসিসু লখনৌগী "ভাৎখন্দে ম্যুজিক কোলেজদগী থোরকখিবা মতমদুগী ইনোৎ অদুম্ক মাঙদ্রি।

শক্লাইরবা অসিগী লেমহৌরিবা পূন্সিনা পামজরিবা কলাগী পূক্কেদা হাপকে খন্দুনা মঙখিবা মঙলান মঙফাওনবা ঙম্বা ওইবীদুনা মতম শাংনা মায় পাক্লা লমদম অসিগী কলাগী পূক্কেদা অনৌ অনৌবা মায়কৈদগী অনৌবা চহীগী য়াইফ পাওজেলসু পীজরি।

# মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE,: FISH*
**nevan Yannick**
Class: I
Sec : C,
Roll No-16
School: The Blossom School







*TITLE,:PAROT*
Y. Lanchenba
Class:II
Sec : A,
Roll No- 10
School:The Blossom School





*TITLE,:FIGHTING*
Wilson Potshangbam
Class:Nursery
Sec : A,
Roll No: 6
School:Pitambara English School



*TITLE : SCENERY*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: I
Sec : ,A
Roll No:10
School:UNIVERSAL STUDENT ACADEMY





*TITLE,: DOLL*
Jessica Takhellambam
Class:III
Roll No- 2
School:PROGRSSIVE ENGLISH SCHOOL,
LAMDING






*TITLE : A GIRL*
**Kh. Yaichenba**
Class: VI,
Sec : Coral
Roll No- 19
School: HERITAGE CONVENT





*TITLE : SCENERY*
**Yendrenbam Vivian Luwangcha**
Class: Pre-Nursery
Roll No: 6
School: Planet Kids Nursery School






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*